## এডিটোরিয়েল

# লম্বী য়েংশিনবদি ৱাৎলি

মণিপুরদা হৌজিক চাউখৎ থৌরাংগী মখাদা মখল মখা কয়াগী লম্বী থোং শেম্বগী থবক কয়া অমা পায়খত্তুনা লাক্লি। ইম্ফাল মনুংগী লম্বী কয়া অমসু মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎলে হায়না লৌবা য়াই। অদুবু শেল্লিবা লম্বী অদুগা তাইনবদা লৈরিবা মফমশিং অদু করি ওইরিবগে হায়বদুদি ইয়েং য়েংশিনবা মান্দে। নেসনেল অমসুং ষ্টেট হায়ৱে শিংগী পাক-চাউবশিং অদু চপ চানা মিনিষ্ট্রি ওফ সর্ফেস ত্রান্সপোর্টনা পীরিবা সেদ্যুল অদু য়ৌনা পাক চাওবরা হায়বদুদি ঙসিসু ওইদ্রি হায়না লৌবা তাই। মসিনা মরম ওইরগা থিকাদারশিংগী শেন্দানফম ওইনা লম্বী শেম্বগুম মীয়াম্না অদুমক উদুনা লাকই। ইশম শম্না য়াম্না লাইবা মওংদা খঙবা য়াবা মফম অমনা ইম্ফাল এয়রপোর্ট রোডকী কৈশ্যাম্পাৎ জঙ্কসনদা লৈরিবা লম্বীগী ফিভম অসিনা অদুমক তাকই। মসি নংতবা অমনা ওভরব্রিজ অমা বি টি রোডতা শারিবা অসিগী মখাদা লৈরিবা নাক য়েৎ অনিমক্কী লম্বীশিং শেমখ্রবা মতুংদা ওভরব্রিজ অসিগী মখাদা লৈরিবা লম্বী ফাওফমশিং অদুদা মতেক অমা অদুমক নেমথনা অমসুং হাংনা লৈহৌবগুম তৌই। মসিগী মথক্তা অমুক পাউনা বজাররোমদগী ফাওরক্লিবা বি টি রোডকা শম্নবা লম্বীগী শরুক্তা লৈরিবা ফিভম অসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। হায়রিবা লম্বী অনি অসিগী শম্নফমদা য়াম্না চাওনা কোঙ্গুৎ শানা লৈবা মফম য়াওরি। অসিগুম্বা লম্বীগী তাইনফমদা লৈরিবা ফিভম অদুদি লম্বী শেম্বা মতমদা পান্নরিবা ইঞ্জিনিয়ারশিংনা য়েংশিল্লগা শেম্বা ঙম্নবগী শক্তি অদু লৈফম থোকই। মদু নৎত্রগনা লম্বী শেমখ্রিবা হায়বদি হান্না শেম্বা লোইখ্রবা লম্বী শরুক অদুগী থিকাদারনা মেন্টেন তৌফম থোকপা থবক অদু খুদোম্বীনা থিল্লগা তাক্লবা মতুং মখোয়বু মরান্নাই ওইনা শেমজিনহনবগী থবক অদুমসু পায়খফম থোকই। য়াম্না মচা মচা ওইবা ৱাফমশিংদা নিংথিনা য়েংশিলহৌদবদগী প্রোব্লেম কয়া অমা থোকহল্লি হায়বসি লম্বী -থোং পান্নরিবশিংনা খঙফম থোকই। মসিদি মিনিষ্টর নৎত্রগা অতোপা চিফ ইঞ্জিনিয়ারনচিংবগী থাক্তা পুখৎফম থোক্তবা অমসুং লম্বীশিং অদুগী শেম্বদা থাইত্ব লৌখিবা ইঞ্জিনিয়ারশিং অদুগী মীৎয়েং মখাদা অদুমক শেমজিনবা য়াবা ঙাক্তনি হায়না লৌবা য়াই। মদুদা চঙবা শেনফমশিং অদুদু লম্বী শেল্লিঙৈদা ওইবা তারগদি য়াম্না লাইনা থিকাদারশিং অদুদা তাকপিরবা মতুং হেক্তা শেনফম খরা হাপ্লগা শুহল্লম্বা য়াবনি। মসিনা শেমগৎলিবা লম্বীশিংগী ওইরিবা ফিভমশিংদা মীয়াম্না থেংনবা ইচম চম্বা ৱাফম ঙাক্তনি হায়না লৌবা তারবসু ইম্ফাল ডিমাপুর লম্বীগী শরুক্তা ভি ভি আই পি শিং, ভি আই পিশিংগী প্রোগ্রাম পাঙথোকপা মতমদা লম্বী হেক থিংখিবগা বাই পাস রোড ওইনা লৈরিবা লম্বীশিংগী ফিভম অসিদি মতম শাংনা বাই পাস ওইনা শীজিন্নরগদবা লম্বী ওইবনা মখোয়গী ফিভমসু য়েংশিনবা মথৌ তারে। খুদম অমা ওইনা হায়বা তারবদা নেসনেল হায়ৱেগী ইম্ফাল ডিমাপুরগী লম্বীদা অথিংবা থমদুনা গাড়ী চঙহন্দবা মতমদা ময়াংইম্ফাল সাইদগী অমদি মসিগা নক্লবা লম্বী অতৈদগী চেল্লকপা গাড়ীশিং অদু খাগেম্পল্লি ক্রোসিংদগী থাজিল্লক্লগা ৱাকৈথেল ঙানপ্পিথোং ফাওদুনা চৎলগা মদুনা অমুক ময়াই কোইবীগী লম্বীদা চৎলবা মতুং তেরা বজার তারগা নাউরেম ফাইবোক থোং লাল্লবা মতুংদা রিমস রোডকী লম্বীরোমদা লাক্লগা অমুক থাংমৈবন্দ ৱাথম লম্বী ফাওরগা পার্কিং এরিয়া তম্না চৎহন্নবা সরকারনা ফোংদোকপা লৈ। মসিগা চপ মান্ননা থৌবাললোমদগী লাকপা গাড়ীশিংসু নিউ থুম্বুথোং ব্রিজদগী বাই পাস পীরগা মদুনা শিংজমৈ কোংবা রোডতা লাক্লবা মতুং কোনুং মমাংগী নৎত্রগা মদুদগী হেন্দোক্লগা লৈবা মফমশিংদা পার্কিং তৌহল্লি। মসিদা অমুক গাড়ী থৌরিবশিংনা লম্বী তেনবগী খুদোংচাবা লৌরগা ব্রহ্মপুর মঙ্গেমখোঙ হায়না খন্নরিবা য়াম্না খুবা লম্বী অসিদা অচৌবা গাড়ী কয়া অমা থৌজিলহল্লি। মসিগী অয়াবা অসি সরকারনা পীবা তারবসু লম্বীশিং অসিগী ফিভমশিং অদুদি করি ওইরিবগে হায়বা নোংমতা য়েংশিনবীদবগুম মীয়াম্না খঙনরকপদগী ষ্টেটকী মরুওইবা ফঙ্কসনশিং পাংথোকপগী তাঙ্গাদা হেক হেক লম্বীশিং অসিগী মনাক্তা লৈরিবা লমদমশিংগী মীয়াম্না খোঙজং কয়া চংশিনবা ঐখোয়না উরবনি। অদুনা হায়রিবা বাই পাস লম্বীশিং অসিসু হেন্না ফগৎপা মওংদা শেমগৎপগী মথৌ তারবনি। মসিদা করিগুম্বা থবক পায়খৎপা তারগদি মরী লৈনবা লমদমশিং অমদি লৈকায়শিং অদুগী মীয়ামগা লোয়নননা ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং তান্নরগা হেন্না ফবা মওংদা শেমগৎহৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মায়কৈ অসোমদসু পুক্নিং চঙশিন্দুনা মিনিষ্টরনচিংবনা মরক মরক্তা চৎলগা য়েংশিল্লম্বা তারগদি হেন্না ফবা লম্বীশিং ওইহনবগা লোয়নননা লম্বীদা থোকপা এক্সিদেন্টশিং অদু হন্থহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইগনি খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# সিগ্নেলশিংসু মথৌ তৌহল্লু

***ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,***

ঙসি নোংমা-নিনিগী মমাঙদা ইম্ফালদা নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউচে খরদা রোড সেফটি ৱীক পাঙথোক্লগনি হায়বগী পাউ হাপখিবা থেংনজখি। ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসকা খুৎশম্ননা শিল্লগা পাঙথোক্কদৌরিবা রোড সেফটি ৱীক অসি নংনবা ইম্ফাল সিটিগী মরুওইবা ত্রাফিক আইলেণ্ডশিংদা হান্নদগী ইনষ্টোল তৌদুনা লৈরিবা ত্রাফিক সিগ্নেলশিং অসি য়াহনবিরবদি মহৈ ওইগনি।

অহানবা চাংয়েং ওইনা হায়রিবা ত্রাফিক সিগ্নেলশিং অসি ইম্ফাল সিটি এরিয়াদা ইনষ্টোল তৌখিবসি চহি অহুম-মরিদি ফারল্লগনি। অদুবু চাং নাইনা সিগ্নেলশিং অসি চলাইদবদগী সিগ্নেল য়েংবদা খরা হৈনরক্লবা প্রজাশিং সিগ্নেল য়েংলুবদা হঙ্গামপাল মচু খক্তমক নুমিৎ চুপ্পা খপ্তুনা লৈরম্বদগী হৈনদবা ফাওদবসু নত্তে।

থবক অসিদা ৱাজরিবসি ত্রাফিক্কি সিগ্নেল মখুৎনা তাক্লিবা মখা থাবা অপীকপা ত্রাফিক পুলিসশিংখক্তনি। মখোয়না মতম খায়দোক্লরগা ৱানা মীয়ামগী সেবা তৌরিবা অসি থাগত্তবা ঙম্লোই। অদুবু অসিগুম্বা মাঙদা উরিবা অশোয়বা মচা-মচাশিং অসি হান্না মরী লৈনবা গভর্নমেন্টকী মকোক থোংবশিংনা শেমদোক্তনা রোড সেফটি ৱীক পাঙথোকপগী কান্নবা থোইদোক্না লৈরোই হায়না নীংজে।

ইম্ফাল সিটি খক্তংগী ওইনা ইনষ্টোল তৌখিবা ত্রাফিক সিগ্নেলশিং অসি নিংথিজনা চলাইহনবদা গভর্নমেন্টকি করি অরুবা লৈবনো হায়বদুদি খঙজদ্রে। রোড সেফটি ৱীক পাঙথোকপগা ত্রাফিক সিগ্নেল ফঙ্কসন তৌহনবগা মরী লৈনব্রা খঞ্জদুনা হায়জবনি।

*অদোমগী,*

**চাউবা মৈস্নাম,** খুরাই

# আর্বিন্দ কেজ্রিৱালগুম্বা মীওই চোংথোকহন্নিংই

হন্দক দিল্লিদা ‘আম আদমী পার্টি’না লৈঙাক লিংখিবা, লৈঙাক অসিদা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা ওইনা খন্দুনা চীপ মিনিষ্টরগী ফম পায়খিবা অসি ভারত শিন্থুংনা ৱারীননিঙাই ওইবা, মীয়ামগী নৈননিঙাই ওইহনবা, পূম্নৌ-নৌবা পন্দুপ অমা হাংদোক্লে হায়না লৌবা য়াই। মমাঙগী শাংলবা, হৌখ্রবা পন্দুপ অদুদা হঙ্গৎনা য়েংবা তারগদি-পন্দুপ অদুগী মনুদা, ভারতকী ষ্টেটশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরী পূম্নমক্তা লিংখিবা লৈঙাকশিং অমসুং ভারতকী অসুপ্পা লৈঙাক পূম্নমক অসি ঙাংথোকখিবগা তৌথোরকপগা ইচা-চানদবা, ইমান-মান্নদবগুম থোকখি হায়বসি লৈবাক হুপ্না য়ানরিবা ৱাফম অমনি। লৈঙাক পূম্নমক্কী পান্দমদি, ভারত মীয়াম পূম্নমক্তা ‘মান্নবা-খুনাই’ অমা ওইহনবা অসিনি। পান্দম অসি ফংনবা, লৈখিদ্রবী প্রাইম মিনিষ্টর, মালেমগী থোমথীন ওইখিবী, ইকাইখুম্ননিঙাই ওইখ্রবী ‘ইন্দিরা গান্ধী’না মান্না খুনাই/সোসিয়োলিজম শাগৎপা হৌবিখি। চিনবাম্থোংদা পনবা নত্তনা, থবক ওইনা পায়খৎপা হৌবিরকখি। বেঙ্ক কয়া অমা নেসনেলাইজেসন তৌবিরম্বা পনবা য়াই। ‘গরিবী হটাউ’ হায়বা খোল্লাও’ মালেম থুংন তানবা লাউবিরমখি। লাইবক থীবদি তৌমথীন প্রাইম মিনিষ্টরনা, লমখাঙদা পুন্সি লোমখিবনা থবক ওন্থোকপদি ঙল্লমখিদে। তশেংবমক্তি, প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধী, ভারত মীয়ামগীদমক অঙম্বা থবক খরদি তৌগে খনখিবী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি ওইখি হায়দবা ঙমদে। ৱাখল অসি অইবগী লনাই ওইবদি য়াই, পোলিটিকেল লিডরশিংগী মীৎয়েংদদি লাল্লম্বসু য়াই। অসিগুম্বী মীয়ামগী লুচিংবীনা চৎখ্রবা তুংদা, প্রাইম মিনিষ্টর কয়া অমসু চৎখ্রে। অদুব ‘গরিবী হটাও’ হায়বা ইন্দিরা গান্ধীগী খোল্লাও অদুদি থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদনা, ‘গরিবী মর-ডালো’ হায়বা ওন্থোক্তুনা’ লাইরবা মীচম মীয়াম পরিং নাইনা হাৎপগী চৎনবী থুংঙবগুম তৌরব্রা খল্লি।

খুদম ওইনা তেল্লপ্না থমজরি মদুদি - ঙসিগী মতমদা ভারত লৈঙাক্লা, ভারতকী লাইরবা মশিং য়াল্লবা মীয়াম লাইরবা লাইগী খয়াত্তগী কন্ননবা শেল নৎত্রগা পোৎলম-চৈরম খাউজাউ-খাউজাও, লাইরবশিংগীদমক কাইথোক্তুনা থাদরি। লাইরবশিংগী চাকথুং থাদরিবা পূম্বা ইনাক খুনবশিংগী শাংলবা, পাক্লবা খুত্তা তাবা নত্তনা, লাইরবা অমত্তদা য়ৌঙমদনা লৈরি। মসিনা ময়েক শেংহল্লি মদুদি ‘লাইরবা তান্থোকপদি অমুক হঞ্জিল্লকপা য়াই। অমুক হল্লকপা ঙমদনবা হাত্তোক্তুনা মাঙহনবা তাই।’ হায়বরোমদা লৈশিল্লকপা ওইবা তাই হায়বসি! তশেংনমক লাইরবা মীয়াম্বু, ৱাত্তা-পাদবা, নুঙাই য়াইফবা পুন্সি ওইহন্নবা অশেংবা ৱাখলদা পায়খৎপা ওইরগদি, মালেমগী মরিশুবা থাক্তা লৈরবা ভারত, মসিগী অসুপ্পা লৈঙাক্লা, লাইরবগী চাকথুং ইনাকখুনবনা নাকন্দা শৎপা থিংনবা তৌদবগী মরম করি লৈবগে? অরোনবা অমদি ফুমদুনা লৈরে হায়বা লাল্লব্রা? মিৎয়েং অসিদা য়েংলগা ভারত লৈঙাক শেঞ্জাউ পায়বগী লৈঙাক্লি হায়বদা হায়বনবা থোক্তব্রা খল্লি।

মরুওইনা ভারতকী মনুংদা খ্বায়দগী শোখনা লৈরিবা, নোংপোক ফিবান ঙাকপা ষ্টেট ‘মীত্রৈবাক’ (ঙসি মণিপুর হায়বা অতাংবা লোলনা মিং থোনবিখ্রবা) অসিদা মপুঙ ফাবা মিৎয়েং চিংশিঞ্জগে। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ষ্টেট পূম্নমক্কী মনুংদা, খ্বায়দগী

> **খন্নসি-নৈনসি-২৮৭**
>
> **ৱাই চীঙ্খৈ ঙানবা লুৱাং**

চাওখত্তবা ষ্টেট অমা ওইরি। ভারতকী ষ্টেট অমা ওইরগসু, ঙসি ভারতকী ষ্টেট অমত্তগা রেল লম্বীদা ফাওনদ্রি, ইন্দষ্ট্রিজগী মমি তমদ্রি। হীরম খুদিংদা শোখরি, লৈবাক অসিগী মীয়াম ‘ইন্দিয়ান নেসনেল’ নি হায়রগসু ইন্দিয়ান অমা ওইবগী ফংফম থোকপা (রাইট) চপ চানা ফংদ্রি। খৃষ্ট চহী ১৯৪৯ সেপ্টেম্বর ২১ দা ভারত্তা লৈবাক অসি নমতিন তিলহন্দুনা, নিং-তম্লম্বা নেসনেল ষ্টেট অসিনা ইন্দিয়াগী লম ওইহল্লগা, লম অসিগা হৌমিন্নরকপা, য়েলহৌ মপু ওইবদা নত্তনা ফুরূপ পূম্নমক্কী অচৌবা কাঙলুপ (মেজর কম্যুনিটি), য়েক (ক্লান) ৭ গী মচিল-মনাউ, ফুরূপ ৩০গী ঈরূপ (নেসন) অসিগী শক্তাক মিং, ‘মীতৈ’ হায়না খঙনরকপবু ‘মণিপুরী’ হায়না শক খঙবিরি। ঈরৈপাক ‘মীত্রৈবাক’পু মণিপুর হায়না শক তাক্তুনা, লমসিগী মপু ‘মণিপুরী’ হায়না, ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসননা ময়েক শেংনা পীরি। মসিনা মরম ওইরগা ‘ৱান নেসন ষ্টেট’ অমা ওইনা কঞ্জরম্বা, নিংতম্না নিংথৌ লৈঙাক লিংদুনা চহী লিশাং শিৎনা পাঞ্জরকখিবা পুৱারী মত্তুনা থম্বিরি। ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিবুদি ইন্দিয়াগী লম্মী হায়রগা, লৈবাক অসিগী হৌমিন্নরকপা য়েলহৌ ঈরূপ/নেসন, চীঙবু-তম্বুরোই, য়েক ৭ গী ইচিল-ইনাও ফরূপ ৩০ গী শক খঙ মিং ‘মীতৈ’ কৌবা মপু অসিবুদি ইন্দিয়ানা শকখঙদনা থম্বিরি। (শেংদোকচবা অমা - মীতৈ নেসন হায়রগা, ঙসিগী মতমদা তম্পাক লমদা তারিবা, তম্বুরোইশিং অসিদবু ওইনা লৌনবগুম তৌরি, মসিমক্তি অচৌবা অরানবনি। অরিবা হৌরকপগী পুয়া-পুৱারীনা লেঙদনা চুক ওইনা লেপ্লি। য়েক ৭ লৈবা চীঙবু-তম্বুরোই পূম্নমক মীতৈনি, চীঙবুরোই ফুরূপ ২৯ গা তম্বুরোই পূম্নমক্তগী অচৌবা ফুরূপ অমগা পূন্না ফুরূপ ৩০ অসিবু মীতৈ ঈরূপ/ নেসন ওইরিবনি।) মরম অসিনা ইন্দিয়াদা মীতৈ লৈতে, মীতৈ ওইনা শক তাক্লগদি ইন্দিয়ান কন্সষ্টিট্যুসন ফোরেনর ওইনা, নৎত্রগা অন-লোফুল এক্সট্রিমিষ্ট ওইনা লৌরোইদবগী মরম লৈরিগদ্রা? অইবা ইশামক্লা থেংনখিবা থৌদোক মতেক অমত্তং পাউদমজগে- খৃষ্ট ১৯৯৭ তনি, অইবনা নোংমা কছার সিংগেরবন্দ অমসুং শ্রীবার, মফম অনিদা, মীতৈ ঈনাৎকী মরীদা ফমগদবা খন্না-নৈনবগী মীফম অমগীদমক ইম্ফালদগী অইবগা লোয়ননা মীহুৎ ৩ খোঙশানখি। অঙনবদা, নুংথিল পুং ১ তাবদা সিংগেরবন্দ মীফম লোইবদা য়াচংবা মতম ওইখি। মন্ত্রি মন্ত্রি তৌরবা মতম অদুদা শ্রীবার মীফম য়াওনবা চৎপা তাখি। সিংগেরবন্দগী মীয়াম্না অহিং য়ারেক্লবা হায়খি, অদুদা মীফম অমমুক য়াওরুনবা শ্রীবার চত্তবা য়াদে হায়রুবদা অসুম্না হায়রকখি, লমদম অসিদা য়ু জী খরা চঙখরে হায়দুনা মিলিটরী এলার্ট তৌদুনা লৈরি, লমদম অসিগী লৈমায়দা পোকখিবা চাউখিবগা নত্রে, লম্বীদা ফ্রিস্কিং থেংনরগদি অমম্বসিদা খুদোংথীবা নংবা য়াই, অদুবু চত্তবা য়াদ্রবনিনা লাই নিংদুনা লেঙবিয়ু, করিগুম্বদা ফ্রিস্কিং থেংনবা তারগদি ‘মীতৈ’ নি হায়না হায়বিগনু, ‘মণিপুরী’ নি হায়বিয়ু, ‘মীতৈ’ হায়রগদি আর্মীশিংনা ‘লান-হৌবা’ ওইনা লৌবগুম তৌনে। অসুম্না হায়রকখিবা, ঙসি ফাওবা অইবগী পুক্নিংদা অকাও-পরৈ চন্দনা লেঙদনা লৈরি। ৱাফম অসি কন্সটিট্যুসননা য়াম্না ময়েক শেংহল্লি। মসিনি মীতৈ ঈ (জিন) শেংনা লৈজরিবা, ইশানা ইশাবু মীতৈনি হায়না চাউথোক্লা লেপচগদবা ঐখোয় য়েক ৭ কী ফুরূপ ৩০ গী ইমুং মীতৈশিংগী পুন্সি, মথং মীরোলদা মীতৈ কাঙখুল মুৎখ্রগদ্রা হায়বগী পাখৎচবা ওইরিবসি।

অসিগুম্বা মতম্না চপ য়ুংনা লেপ্লরবা মতম অসিদা, ঙসিগী ষ্টেটসিগী য়েলহৌ মপু, চীঙবু-তম্বুরোই ইচিল-ইনাও ফুরূপ ৩০ না, খাইবুংনবা ৱাখলনা য়েক্ল-তাথীদুনা ঐখোয় ঈ-জিন মনুংদা শিঙনদুনা লান্থেংনদুনা লৈবা মতম নৎত্রব্রা খল্লি। ঐখোয় ঈ ঈশেল খূৎ শম্নদুনা, তিক-তিক

(লীচৎকী মিয়েংদা)

লাউবা মীহুৎ থাগত্তুনা, মতিক-মঙাল লৈবা লৈবাক অমগী মথৌ লৈ হায়নিঙি। ঙসিগী মতমদা, তিক-তিক লাউবা, অচঙবা মীহুৎ কনানো খনবা চঙ্ঙী। অইবগী মিৎয়েংদা, অচঙবা-থৌনা লৈবা মীশক ঙসিগী মতমদা খনবা তারগদি, তুংগীলম্বী হেজিন্না শাংনা উবা, মদুনা হেঞ্জিন্না উমনখিদুনা খুদক্কী তৌগদবা থবক পাঙথোকপগী মহুত্তা, করি লাক্কদগে খন্দুনা খুৎ থাহৌদবনা, অহোবা ঙাক্তা ঙাইরক্তুনা মনিং পুমহো-হোরবা কৌতাগুম শোক্লা-শোক্লা থনবা ঙমদ্রবা, অদুগুম্বা নত্তবা, তৌগে খনবগা খুৎকা মান্নবা, তুংগীসু খনবা ঙম্বা, চোকথবা নাইদবা মীওই ওইগনি খল্লি। শিংমন্দুনা খুৎ থাবা ঙমদবা কিগনবদি অরিকপগী স্না মতুমগা পাঙখক্লি। খনবগা খুৎ থাবগা মান্নবা, থৌনা লৈবা-ইচঙ লৈবা, লৈবাক্কীদমক কখোকপা ঙম্বা মীওই চঙ্ঙী। পঙমল্লবসু নৎত্রগা শিংমল্লবসু থবক ঙমদে হায়বসি মীওইবা পূম্নমক্লা খঙনরবনি। মরক ওইবা, শিংসু শিংবা, খুৎসু থুবা মীওইতনা থবক ঙল্লিবনি। পুমঙাও ঙাওবসু নত্তবা, পুমপঙ পঙবসু নত্তবা মরক্কী মীওইদনা মীয়ামগী থৌ পুবা ঙমগদবনি। ঙসিগী ষ্টেট অসিগী লুচিংবশিং শিংমন্না শিংমল্লবনি, অদুনা মীয়ামগী থৌ শুনবা মতম ফংদে, মশাগী হেঞ্জিন্না খোৎচিন্নবা মতম ফাওবা লৈজদ্রবনি। মিৎয়েং অসিদা য়েংলগা, আর্বিন্দ কেজ্রিৱালগুম্বা, ঙম্বা য়াই-ঙমদবা য়াই, তৌফম থোকপদি তৌগনি খল্লিবা, মহাক্কুম্বা মীওইশিং, ষ্টেট অসিগী তঙাইফদবা লৈ হায়নিংই। ঙসি মীয়াম্না কেজ্রিৱালগী মরমদা, চাবা-থকপা-তূম্বা চঙদনা নৈনরি। নৈনসনু! অইবগী মিৎয়েংদদি থবক অমা পাঙথোকপদা ঙম্বা নৎত্রগা ঙমদবা হায়বদুদি মীওইবগী খুত্তা লৈতে, তৌবা হায়বদুদি মীওইবগী খুত্তা লৈবা তৌফম থোকপনি। মীওইবা খুনাইগী য়াইফনবা তৌফম থোকই খন্না, তৌগে খন্না চপ য়ুংনা লেপ্তুনা চোংথোরক্লিবা কেজ্রিৱালগী ফিরেপ অইবনা শৌগত্তবা ঙমদে। মহাক্কুম্বা মতিং লৈবা মীওই ষ্টেট অসিদা চোংথোকপীরকপা কান্নগনি খল্লি। ঙল্লমসনু নৎত্রগা ঙল্লমদসনু, মীওইশিংদুবু লৈরগদি, মথং-মথং লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লবদি নোংমদি ঙল্লকপা শোয়দবনি। মীওইবনা ঙমদবা লৈরক্ত্রবা মতমনি। ঙমদ্রিমখৈ হন্দনা হোৎননিংবা, মথৌ মশক খঙবা, মতম মমল খঙবা খঙবীশিং চোংথোকপিরকপা কান্নগনি খল্লি।

# মণিপুরীদা লোনয়ান-ৱাহৈশিং শীজিন্নবদা মীৎয়েং অমা

অঙোম সুরজিৎ মৈতৈ

১২। Indian ৱাহৈশিং - Avatar, bangle, Brahmin, bungalow, cheetah, chutney, cot, guru, jungle, karma, khaki, loot, pundit, pajamas, sentry, shampoo, Bazar অসিনচিংবা শীজিন্নরি।

১৩। African ৱাহৈশিং - banjo, chimpanzee, cola, dengue, jazz, zebra অসিনচিংবা অসি ইংলিসতা শীজিন্নরি।

১৪। Dutch ৱাহৈশিং - aloof, beaker, block, blow, bluff, boom, boss, bow, brandy, bully, bundle, bush, crimp, cruise, deck, decoy, dock, drug, drive, excuse, gas, golf, hoist, kill, landscape, leak, loafer, loiter, luck, measles, pickle, pit, plug, pump, sketch, slim, snack, split, trigger, yatch অসিনচিংবসি ইংলিসতা লৌশিন্দুনা শীজিন্নরি।

১৫। পোর্টুগীজ ৱাহৈশিং - breeze, caste, cabin, cobra, coconut, creole, junk, teak, veranda অসিনচিংবসি ইংলিসতা লৌশিন্দুনা শীজিন্নরি।

১৬। Modern French তগী ইংলিসতা শীজিন্নবা খরা - bureau, cafe, ballet, deja-vu, esprit, de crops, finace, genre, hors d'eourves, liaiason, rapport, RSVP, repondez, s'il vous plait, sabotage, vis-a-vis, expose, resume অসিবু হৌজিক ফাওবা French ওইনসু অদুম্মক খঙনরি হায়রি।

১৭। Korean ৱাহৈশিং - Taekwondo, Hyundai, Samsung নচিংবসি America Indian ৱাহৈশিং - igloo, papoose, squash নচিংবা অতৈ-অতোপ্পা লোন কয়াদগী ইংলিসনা লৌশিন্দুনা শীজিন্নরি।

মসি পূম্নমকসি ওইদুনসু হৌজিক ফাওবা ইংলিস লোন অসি ইংলিস লোন ওইনা অদুম্মক লৈরি। মালেমদা খ্বায়দগী মউ লিংবা লোন ওইরি। লোন অসিনা হৌজিকসু অতোপ্পা লোনশিংদগী ৱাহৈশিং লেপ্পা লৈতনা লৌশিল্লি।

ইংলিসনা অসুম ওইরে হায়দুনা মণিপুরীসু অসুম্না তৌরসি হায়বদি ঐসু য়াজনিংদে। থেংখাঙ কয়াদা মণিপুরীসু অতোপ্পা লোন খরদগী ৱাহৈশিং লৌশিন্দুনা য়াম্না মণিপুরী লোন অসিমক্কী ৱাহৈশিংগুম শীজিন্নদুনা লাক্লি। অইবা লাইরিকশিংদসু অসুম্না তৌদুনা লাক্লি। লাইরিক ময়াম লৌখৎলগা নৈনদুনা য়েংলুদ্রবসু মসিমতং য়েংমিন্নসি।

রতন থিয়ামগী লাইরিক তালা পামেল নহাকসু হায়বদুগী লামায় ২২ দা য়াওরিবা **যুম লৈত্রবা যুম্ফম** হায়রিবা শৈরেংগী শরুক অমত্তং লৌখৎচগে।

কেমেরা অমগী মনুংদা য়াওবা
নমখ্রবা ফিল্ম মকোন অমখক
অমুবগী অমুবা ঙাক্তা। উবা ফংদ্রে মদু অমত্তা
ঈশৈ চামথোকখ্রবা
কেসেত অমা
তাবা ফংদ্রে হৌখ্রবা ময়েকশিংগী সুরদো।

মথক্কী শৈরেং পরেং ৬ অসিদা অতোপ্পা লোন্দগী লৌরগা শীজিন্নরিবসি কেমেরা, ফিল্ম, কেসেত, সুর হায়বা ৱাহৈ মরিসিনি।

অইবা অসিমক্কী হায়রিবা লাইরিকসিমক্কী লাঃ ১১৬ তা য়াওরিবা **অশংবা শৈরেংদা** মীৎয়েং তামিন্নবা য়াই।

অশংবা শৈরেং শংবান্নবা ঈশিং ওন্থোকখি
অতিয়াগী মমিদা
তেকখৎলি অখন্ননা পামজবা ময়েকশিং
নোং চুখ্রবা মতুংগী অশং অমানগুম্না
অরুবা ৱা খরা য়াওবনী
নুমিৎকী মঙালনা অশংবা ঊারক্তা
ফাওজিনলকপদৌনা
অদুবু মিরাং অমসু তপ্না তপ্না উরক্কনী।

মথক্কী শৈরেং অসিদা লোনয়ান অমত্তা য়াওদ্রে। অসুম্না অইবসিগী লাইরিকসিদা শৈরেংশিং অসি লোনয়ান য়াওবা অমদি লোনয়ান য়াওদবা হায়না খায়দোক্তুনা থম্বা য়াগনি। লোনয়ান য়াওরিবা অইবগী শৈরেংশিং খক্তদা য়েংলগা লোনয়ানশিং খন্দোক্তুনা নৈনবা য়াগনি। মাগী লাইরিকসিদা য়াওরিবা **তিংগোং কাংগোং** (লাঃ ১৫৬) অসি অমুক য়েংমিন্নসি।

“তিংগোং কাংগোং”
মানা ৱাপলদগী খোংলকই
“মাইরেন চমফুৎ”
ঐনা খুমই।
করি হায়রিবনো মানা
ঐনা খুল্লিবনা করিনো
অর্থ থিরুদে
পাউ ফাওনবগী নুংঙাইবা
অমদি অসুম লৈ।

শৈরেং অসিদা অর্থ হায়বা লোনয়ান ৱাহৈ অমা য়াওরি। মসি মণিপুরী ৱাহৈনা শিন্দোকপদা থোইদোক্লা কায়দে খল্লি। হায়জনিংবদি, অর্থবু ৱাহন (ৱাহন্দোক) না মহুৎ শীজিন্নদুনা অইবনা ফোঙদোকপদা অপাবশিংদা অকায়বা পীরোই, পাউ ফাওনগনি। অতোপ্পা ৱাহৈ অমনা পাউ অসি চাইনিজ (Chinese) লোন্দগী লৌরগা শীজিন্নবা ৱাহৈনি। ঙসি ঐখোয়না লোনগী পূক্কেদা য়াওরগা লৈরবনি।

অমুকসু লাইরিক অসিমক্কী লাঃ ৭৬ তা য়াওরিবা **কেরোলিনা! ঐনা নঙবু নুংশিজে** হায়বসিগী অহৌবা শৈরেং মতূপ (stanza) অসি অমুক্তং য়েংমিন্নসি।

ওক্তোবর থাগী থামৈদা
অপাবা নুংশাগী ইন্নফী ইনবী তঙৈংবী
নপূক তপ্পী কেরোলিনা
ঐনা নঙবু নুংশিজে
উমং চীঙ্গোল লম্বী লমলোং
তুম্বক তুম্বক
হংঙক্ত্রবদি খূম্বা ইকাইজে মতাগুম
তুমিন্না লৈরিবা চেক্কী য়ুম ময়ায়।

চেক (Brick) অসিসু চাইনিজদগী লৌরগা শীজিন্নখিবা ৱাহৈনি। মসিগী মহুৎ শীনবদি ৱাহৈ অমা খংশিন-শিনবদা মী অমনা হায়বা-ইবা ৱা অতোপ্পা অমনা খঙবদা লুগনি খল্লি।

অসুম্না অতৈ অতোপ্পা ফোঙখ্রবা মণিপুরী লাইরিকশিংদা য়াওরিবা-শীজিন্নরিবা লোনয়ানশিং খন্দোক্তুনা নৈনবা তঙাই ফদে। মণিপুরীদসু ইংলিসকুম্না লোনয়ান ফনা য়াম্না নীংথিজনা ইবা অমদি ঙাংবদা শীজিন্নরি। লোনয়ান-ৱাহৈ খরদং খুদম ওইনা লৌখত্তুনা য়েংমিন্নসি।

১। তিবেতানদগী লৌরকপাঃ মী, শা, লাই, য়ূমথক, ঙানু, লম্বী, থরো-নচিংবা।

২। চাইনিজ-দগী লৌরকপা ৱাহৈশিংঃ মিৎ, চে, শেল, মিংশেন, পাউ-নচিংবা।

৩। সংস্কৃত লোন্দগী লৌরকপাঃ অঙ্ক, ভক্তি, সোরাৎ-শ্রাদ্ধ, অস্তি-অষ্টি, চন্দোন, তুলসি, তোমাল-তমাল, কুশুম, নাগেশ্বর-নাগেসর, পরিজাৎ, মালিকা, বোকুল, মাধবি, মালোতি, অপ্রজিতা, কেতুকী, কদম, কোকিল, ডমরু, ধোল, ধুলোপ, তবলা, মহারাস, পাপ, পুন্য, মায়া শাপ, সর্গ, নোরোক, সমুদ্র, মহাসাগর, অমৃত, কন্য, কর্ম্ম, গুণ, গৌড়িয়া, তীর্থ দান, দক্ষিনা, ধর্ম্ম, পৈশা, পাকা, ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব অসিনচিংবা।

৪। হিন্দিদগী লৌরকপাঃ গলি, ভার, নেতা, গুলি-গোলী, থিকা-থেকা, আজকাল,-আজ কল, চিঠী, পকৌরা, পরোথা-পরাথা, গাজর, মুলি এলাইজি, তেজবাৎ, লোং, হিং, খোনী-খানি, গোলাই অসিনচিংবা।

৫। বঙ্গলাদগী লৌরকপাঃ উপন্যাস, সন্দেস, রস-গুলা, কক্কা, তাদা, পাবা, চীনী, বাবা, চুরুপ-চুরুট, তেকশী-ধেকশী অসিনিচিংবা।

৬। অসামিজদগী লৌরকপাঃ হোরাই--শরাই, হার-সার, ফুতানি অসিনচিংবা।

৭। আরবীদগী লৌরকপাঃ অবের-অবির, জাৎ, জিলা, তোলোপ-তালাব, ইলাকা, হপ্তা, হৱা, রবর, তারিক-তারিখ, জরিপ-জরীব অসিনচিংবা।

৮। ফার্সী লোন্দগী লৌরকপাঃ দুকান, সরকার, দরকার, দরজি, দরবার, মোজা, সলামী, নোমনা-নমুনা, সেম-সেব, নিষা-নষা, দোলান-দালান, সিফাই-সিপাই অসিনচিংবা।

৯। পোর্টুগীজ লোন্দগী লৌরকপাঃ গোদাম, মিস্ত্রি, অস্বারী-অলমারী, আরপিন-আলপিন, কোবী-গোভী, চা-চায়, বালতিন-বালটীনচিংবা।

১০। ফ্রেঞ্চ লোন্দগী লৌরকপাঃ অঙ্গ্রেজ, আইদিএল, এম্বুলেন্স, কেম্প, কানটিন, কার্বোন, কার, গেরেজ, দেমোক্রেসি, দেনতিস, সিলিন্দর অসিনচিংবা।

১১। ইংলিসতগী লৌরকপাঃ মেম্বর, লেকচর, ইঞ্চি-ইঞ্চ, তেরেশিং-তের্সিং-কেরোসিন, মেঞ্জোর- মেজর, ফোস-পোষ্ট অসিনচিংবা।

মথক্তা পঞ্জরিবশিংসি নত্তবা অতৈ-অতোপ্পা লোনশিংদগীসু লৌশিল্লুবা ৱাহৈশিং শোয়দনা লৈরমখিগনি। থিজিনবগী তঙাইফদবা লৈরি। হৌজিকসু লেপ্পা লৈতনা অতোপ্পা লোন্দগী ৱাহৈশিং চঙশিল্লক্লিবনি, চঙশিল্লকখিগনি। মসি লোনগী মহৌশানি হায়বতাই। অদুম ওইনমক, হান্না লৈজরবা ৱাহৈশিংগী মহুৎ অতোপ্পা লোনগী ৱাহৈনা মহুৎশিন্না শীজিন্নবদি তৌদবা ফৈ। য়ারিবমখৈদি মণিপুরী ৱাহৈশিং ওইনা শীজিন্নবনা ফৈ। মসি ওইদুনসু ঐখোয়গী লোন ওইখ্রবা ৱাহৈ কয়া লোনয়াননি হায়না হেক্তা খঙহুন-হুন্দোকপা খঙশেম-শেমদোকপদি ফত্তবা লৈগনি। মসিগী থৌওং পূম্নমক মনুং-মপান ফাওনা খঙ-উরবা languange Directorate, Govt. of Manipur গী থৌ-পুবিরিবশিংনা মণিপুরী লোনগী Authority ওইনা লেপ্পা ঙম্বা লোনগৈ (Standard Dictionary) অমা থিন্থবা তৌদনা পুথোকপীনবা থৌরাং অমদি থবক পায়খৎপগী চপ-চাবা মতাং-মতম ওইরে হায়জনিংই। লোনগৈ (Dictionary) অদুদা ৱাহৈগী হৌরকফম তাকতুনা লোনয়ান মশক তাকতুনা entries শেম্বীরবদি মণিপুরী লোনবু মথ্বায় পান্না লৈহনবদা কান্নগনি। লোন খুদিংমক্তা লোনয়ানগী চন্নফম লৈবগুম মণিপুরীদসু লোনয়ানগী চন্নফম লৈগনি।

*কর্সি ঃ সুভনিয়র, ২২শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ার ২০১৩*